**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চহি ৫ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখ্রে। হয়েং অমসুং হংচিৎনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

২) রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমদি সংস্কৃতি চাউখৎহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্ননবা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহনা আপীল তৌরি।

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- মেদ ইন ইন্দিয়া সি-২৯৫ এয়ারক্রাফট পুথোকখিবগা লোয়নননা ভারতনা এভিএসন সেক্তরদা চাউনা মায় পাকপা ঙমলে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সেচেলসকী রাষ্ট্রপতি পেত্রিক হারমিনিনা ঙসি ভিক্তোরিয়াদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৫) ফিফা ৱার্ল্ড কপগী রাউন্দ ওফ থার্তি টু মেটচশিং ঙসি নোংয়াই মতুংদগী শান্নবা হৌরগনি।

------

পোলিও (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চহি ৫ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখ্রে। রাজ্য অসিগী ওইনা পোলিও বুথ

লিশিং ২,৮৯৮ হাংদোক্লুনা অঙাং লাখ অনি লিশিং ৯০ রোমদা পোলিও হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেস অমদি ষ্টেত হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি নেসনেল ইম্মুনাইজেসন ডে- পলস পোলিও ইম্মুনাইজেসন প্রোগ্রাম ২০২৬ দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেস মণিপুরগী ওফিসতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদদা ৱা ঙাংবদা ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেস মণিপুরগী দাইরেক্তর- ডাঃ এন. বিনো সিংহনা হায়- ভারত অসি পোলিও লৈতবা লৈবাক অমা ওইরে হায়বগী সার্তিফিকেট ইং ২০১৪ দা ফংখ্রে। অদুমওইনমক, য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পোলিও লায়না অসি লৈবনা মতম অমা হেক্তুদা ভারত্তা চংলকপা য়াবগী অকিবা অদুদি লৈরি। মরম অদুনা লায়না অসিদগী মীপুম খুদিংমকা চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- পোলিও লায়না অসি অমুক্তংবু নাখ্রবদি পুংফ-ফবা ঙমদবা লায়না অমনি। লায়না অসিনা নারবদি পুন্সি চুপ্পা শোইনাইবা নত্রগা শিবা ফাওবা য়াই। মমা মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু য়ুম য়ুমদা পোলিও পীথকপা লাকপা ঙাইদনা মতম চানা পোলিও হিদাক পীথকপীনবসু মহাকা আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা মোদেল ইম্যুনাইজেসন সেন্টর-আর.দি. ৱিংদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা পোলিও পীথকপগী থৌরম হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসার য়াওনা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসনগী মখাদা অঙাংশিংগী আয়ুসমান ভারত হেলথ একাউন্ট আই.দিশিংসু শেমবা রাজ্য সরকারনা হোৎনরি। অঙাংশিংগী হেলথ একাউন্ট আই.দিশিং হাংদোকবসু রাজ্য সরকারনা আপিল তৌরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যার ওফিসার ডাঃ এল. বিক্রমনা পোলিও হিদাক পীথকপগী থৌরম হৌদোকখি। মীপুম খুদিংমকা জিলা

অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিদা অঙাংশিংবু পোলিও লায়নাদগী ঙাকথোকবা হিদাক পীথকপগী থবক মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু মহাকা আপীল তৌরি।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, সি.এম.ও, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং অতৈ ওফিসিয়েলশিং য়াওনা জিলা অসিদসু ঙসি পোলিও হিদাক পীথকখি। জিলা অসিগী অঙাং লিশিং ২৭,১৯০ দা পোলিও হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

নোনে জিলাদসু নেসনেল ইম্মুনাইজেসন ডেগা মরী লৈননা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকখি। জিলা থাক্তা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা শিন্দুনা জিলা অসিগী প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখিবা থৌরম নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ অজিন মরিংমৈনা হৌদোকখি। নোনে জিলালগী ওইনা পুন্না অঙাং লিশিং ৪,১৩২ হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যার ওফিসনা পুন্না শিন্দুনা থৌবাল ৱাংম তাবদা লৈবা সি.এম.ও কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। জিলা অসিগী ওইনা অঙাং লিশিং ২২ দা পোলিও হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

দিষ্ট্রক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার অনিনা ঙসি চান্দেল জিলাদা নেসনেল ইম্ম্যুনাইজেসন ডে হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি জিলা অসিগী চান্দেল খৃষ্টান কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। জিলা অসিগী ওইনসু অঙাং লিশিং ৫ দা পোলিও হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

তমেংলোং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংনা শিন্দুনা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকপগী থৌরম হৌদোকখি। হয়েং অমসুং হংচিৎসু য়ুম-য়ুমদা চংদুনা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথক্কনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ অমরুট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা হোরাইজন ইয়ার ২০৪৬ কী নম্বোল টাউনগী জি.আই.এস বেজ মাষ্টর প্লানগী কন্সলটেতিভ ৱার্কসোপ অমা ঙসি নম্বোল চীংমাংদা পাঙথোকখ্রে। নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- থৌনাউজম

বসন্তকুমার সিংহ, ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ, নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কেয়ার টেক্কর চেয়ারপার্সন চীংঙাখম বসন্তা সিংহ অমদি চীফ টাউন প্লান্নর টি.পি.দি- নোংথোম্বম বেঞ্জু সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী সোরা অমসুং পল্লেলদা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ঙসি চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মহাকা হায়- ককচিংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল শেমগৎপা, মীপুম খুদিংমক্তা থকবা অফবা ঈশিং ফংহনবা, পল্লেলদা ইমা কৈথেল শাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মায় পাকা পায়খৎলে।

কংগ্রেস (এল)ঃ ময়াং ইম্ফাল ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা নুপীশিংগী খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ময়াংইম্ফাল কোনচাক মনিং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ কে.ঐচ. রতন কুমারনা হায়- খুনাই অমা শেমগৎপদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। নুপীশিংনা শোত্থনা লৈবা খুনাইনা কৈদৌনুংদা চাওখৎপা ঙমলোই।

এৱার্দ (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি খুরাহজম লোকেন সিংহনা হায়রি- মণিপুর অসি মৈহৌরোলদগী নাৎ অমদি সংস্কৃতিদা ইনাক খুল্লবা লমদম অমনি।

১০ শুবা নোংইন মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- লাইবক থিবদগী হৌখিবা চহি অনি অহুম অসিদা রাজ্য অসিগী ফজখ্রবা নাৎ অমদি সংস্কৃতি কয়া অসি মনিং হনবগুম তৌরি। মসি কোকহন্দুনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং সংস্কৃতি অসিবু মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নশি হায়নসু মহাকা আপীল তৌরি। সরকারগী মাইকৈদগীসু পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস)কী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এৱার্দ অসিগা মরী লৈনবা সোভিনিয়র অমসু ফোংখি। ইং ২০২৫ গী ওইনা নোংইন মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ ফংলবশিংদা মনাশিং য়েন্থোকখি। মদুগী মনুংদা বেষ্ট ম্যুজিক ভিদিও, বেষ্ট দাইরেক্তর, বেষ্ট সিঙ্গর, বেষ্ট এক্তর, বেষ্ট ম্যুজিক দাইরেক্তরগী মনাশিং য়াওরি।

মনকি বাত ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মেদ ইন ইন্দিয়া সি-২৯৫ এয়ারক্রাফট পুথোকখিবগা লোয়নন‌া ভারতনা জন থাদা এভিএসন সেক্তরদা চাউনা মায় পাকপা ঙমলে।

অকাশবানিগী থোঙদা শান্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- অসিগুম্বা এয়ারক্রাফট ৪০ ভারত্তা শাখ্রে। ভারতনা লৈবাক অসিগী শুরক্ষাগী লমদা চাউনা মায় পাকপগা লোয়নন‌া মরোমদোম লেপচবা ঙল্লকপদা শ্রী মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

মালেমগী যোগ নুমিৎকী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অহমেদবাদতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড যোগাসন চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা সনাগী ১০২ য়াওনা পুন্না মেদল ১১৪ ফংবা ঙমখি।

মহাকা হায়- লৈবাক অসি শেমগৎপদা মীয়াম হুপনা য়াওশিল্লকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা থোইদোক হেন্দোকপা লন অমনি। নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা লানগুম্বা ফিভম অসিগী য়েংলগা মহাকা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ৱাফম খরা ফোংদোকখিবা অদু মীয়ামা থবক্তা ওন্থোরকপা উরে হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মপুং ফানা মায় ওনশিল্লকপদসু প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। টেকোলোজি অমসুং এ.আইগী যুগ অসিদা মীয়ামগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবা কয়া অদুবু নিংথিনা য়োকখৎনবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়খি। মহাকা হায়- নলান্দা য়ুনিভর্সিতিনা লম অসিদা থবক তৌদুনা অনৌবা অবতার অমদা ভারতকী মরাইবক লেপ্লি।

লৈবাক অসিগী সংস্কৃতি অসি ঙসিদি মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌহনবা ঙন্বা অসিগীদমকসু প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

মেঘালয়গী রুট ব্রিজ অসি চহি কয়া চংনা শেমগৎখিবনি হায়রদুনা মসিবু য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিতেজ সাইটতা য়াওহন্নবা ভারতনা হোৎনরি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। মহাক্কী ৱারোলগী লোইশিল্লকপদা শ্রী মোদিনা ঈশিংবু য়োক্তুনা থন্বগী মতাংদা পনখি। মহাকা হায়- ঈশিং দ্রোপ অমা ফাওবা য়োকশিন্দুনা থমবা হোৎনগদবনি। কেটচ দ রেন কেম্পেনবু তরাইনা লৌদনবসু মহাকা হায়খি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সেচেলসকী রাষ্ট্রপতি পেত্রিক হারমিনিনা ঙসি ভিক্তোরিয়াদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। লৈবাক অনিনা তেংবাং পীনরিবা হিরমশিংসু লুচিংবা অনিনা অমুক হন্না য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লমদম লমদমগী অমদি মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু মখোয়গী মোত ফোংদোকখি।

মদুগী মমাংদা রাষ্ট্রপতি হারমিনিনা ষ্টেট হাউসতা শ্রী মোদিবু ইকায় খুমবা উৎখি। লৌউ শিংউ, শেল থুম, স্পেস অমসুং হকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদসু য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনখি।

শ্রী মোদিগী নোংপোক আফ্রিকাগী ঈথৎ লৈবাক অদুগী খোঙচৎ মনুংদা ইনভাইরোনমেন্ট কনবা অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী লমদা লুচিংবা অমা ওইনা থবক তৌবগীদমক সেচেলসকী খ্বাইদগী ৱাংবা মনা- গার্জিয়ান ওফ দ ব্লু হোরাইজন প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি পীখ্রে। মনা অদু শ্রী মোদিদা সেচেলসকা রাষ্ট্রপতি ডাঃ পেত্রিক হারমিনিনা খুৎশিন্নখি। শ্রী মোদিনা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা অমসুং অঙৈং অশাগী খল কায়হন্দনা থমবা হোৎনরিবা লৈবাক খুদিংমক্কী মফমদা মনা অদু কৎথোকখি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপগী রাউন্দ ওফ থার্তি টু মেটচশিং ঙসি নোংয়াই মতুংদগী শান্নবা হৌরগনি। ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা সাউথ আফিকাগা কানাদাগা শান্নগনি। হয়েং নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা ব্রাজিলগা জপানগা শান্নখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- ইংলেন্দনা পানামাবু পাঞ্জল ২-০ দা, ক্রোএসিয়ানা ঘানাবু পাঞ্জল ২-১ দা, দি.আর.কোংগোনা উজবেকিস্তানবু পাঞ্জল ৩-১ দা, অরজেন্টিনা জোরদানবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। কলম্বীয়া অমসং পোরটুরগল পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অলজেরিয়াগা ওষ্ট্রিয়াগসু পাঞ্জল ৩-৩ চান্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-ত্বেন্তি ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা- অক্সদো খাঙবোকা এস.য়ু শগোলবন্দবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ১৪৩ দা থোইখি।

------